ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্তা খুন্দারিবা মীয়াম্বু করিমত্তা খন্দে হায়বদু তাকথোকচরে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ হন্দক্তা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ লোক সভাদা পাস তৌখিবা অসি ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা মীয়াম্বু করিমত্তা খন্দে হায়বদু তাকথোকচরে। হিরম অসিদা মণিপুর ফ্রেন্দসিপ ওর্গেনাইজেসন (মাফ্রো) না হকচিন্না লৌই হায়না চেরোল অমদা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক্তা খুন্দারিবা কাংলুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা ইহৌ হৌবা মথৌ তারে হায়রি।

বিল অসিনা ইন্দিয়াদা কাংলুপ অমখক্তগী ওইবা, ওইথোকপা য়ারোইদবা, লৈবাক অমখক্কী মঙলান নত্তনা লৈবাক অসিদা কান্নগদবা অমত্তা লৈতে। ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা মশাগী প্রজাশিং ফাওবা মবুক থকপদা চাদা ৫০ ফাওবা ঙমদ্রি। লৌমী কয়া সুসাইদ তৌনরি অমদি নহা কয়া থবক ফংদবদগী ককঙাওনদুনা লৈরিবনি। মরকসিদা সিটিজেনসিপ বিল চৎনহল্লগা থংনবা লৈবাক্তগী লাকপা মীয়াম্বুনা করম্না নাওকোনগদৌরিবনো হায়বা ৱাফম থন্নক্লি।

থৌওং অসিদি ইচা য়োক্তনা মীচা য়োকখৎতুনা লানবন অমা শেমগৎপগা চপ মান্নে। লমদম অসিদা মপান লৈবাক্তগী চঙশিল্লকপা মীওইশিংগী মথক্তা মতম কয়াগী মমাংদগী ইহৌ চঙশিন্দুনা লাক্লিবা অসি বিল অসিনা মপুং ফানা পাস তৌখ্রবদি জেসিআইএলপিএসনা চঙশিনখিবা মখল কয়াগী খোঙজংশিং কাস্থ-থাঙ ওইদুনা তোক্লগনি। লোয়ননা বিল অসিগী মায়োক্তা ঐখোয়না মতম চানা খোঙ থাংহৌদ্রবদি মমাংদা হৌখিবা ইহৌ পুন্নমক অদু মুস্লিমখক্তগী মথক্তা হৌবা ইহৌ ওইনা থোক্কনি হায়রি।

মতাং অসিদা লমদম অসিগী চিফ মিনিষ্টর এন বীরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, লমদম অসি ঙাকচনবা আইন লৈজে হায়রিবদু মীয়ামদা পুথোক্তুনা উৎপীয়ু। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রবা অমবু মতৌ করম্না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা ঙাক্কনি হায়বসিগী মতাংদা মতিক চাবা আইন অমদি দোকুমেন্টশিং চিফ মিনিষ্টরনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মসিদা ঙল্লোইদবা ওইরবদি চিফ মিনিষ্টরনা অসামগী এজিপিনা লৌরিবা ফিরেপ অসি লৌদুনা লমদম অসি কন্নবগীদমক ৱারেপ লৌবীয়ু হায়বা ৱাফম মাফ্রোনা থন্নক্লি।

লমদম অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু ভাষণ পীবগী মহুৎতা লমদম অসি কন্নবা হোৎনবীয়ু। অদুগা বিল অসিগী মতাংদা লমদম অসিদা লৈরিবা সিবিল সোসাইটি, ক্লব ওর্গেনাইজেসন, মৈরা পাইবী অমদি লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা ইহৌ হৌমিন্নসি হায়না মাফ্রোনা অরোইবদা আপিল তৌরক্লি।

থবক লৌবগী প্রোসেস লেপকদবনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ আইবিএসডিগী দাইরেক্টর প্রোফেসার দিনবন্দু সাহুগী মথক্তা ডেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (ডেসাম) না তোঙান-তোঙানবা পোইন্ট কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা মহাক্না তৌখিবা অশোয়বশিং অদুগী মথক্তা অখন্নবা কম্মিটি অমনা থিগৎহনগদবনি অমদি মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীগদবনি হায়না মণিপুরগী গবর্ণরদা মেমোরেন্দম পীদুনা তকশিল্লিঙৈ চৈরক্তা প্রোফেসার দিনবন্দু সাহুনা মহাক্কী খুৎচাবী আইবিএসডিদা থবক তৌবা মণিপুরী মচা খরগা লৌতুনরগা তোঙান-তোঙানবা পোষ্ট লৌনবগীদমক এদভর্টিজমেন্ট থোক্লক্লিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি অমদি চৎনবা শুকয়া য়ারোই হায়না ডেসামনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ডেসামনা গবর্ণরগী মফমদা থমখিবা ৱাফমশিং অদু তরাইনা লৌগনু। ৱাথোক অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীয়ু। মদু নৎত্রবদি ৱাথোক অসি চাওথোরক্তুনা মণিপুরগী অচোবা ইহৌ অমা ওইরক্লেংইহায়নিংঙাইলৈতে। মতমদুদা লৈবাক ৱাথোক ওইরগা মণিপুর নুংশিবা শাদুনা পঙাং ঙাংবা তৌবীগনু। তশেংনা মণিপুর নুংশিবা মণিপুরগী গবর্ণর অমা ওইরবদি ফেবরেটিজম অমদি নেপোটিজম থাদোক্তুনা খুদক্তগী থবক লৌখৎপীয়ু হায়রি।

অদুগা প্রোফেসার দিনবন্দু সাহুগী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসিগী তং-তাবা ৱারোইশিন অমা লৈখাই তানা লৈত্রিবা ফাওবা ইন্সটিট্যুসন অসিগী থবক লৌবগী থবক থৌরম খুদিংমক লেপকদবনি হায়বা ৱাফম ডেসামনা থন্নকপগা লোয়ননা করিগুম্বা ৱাফম অসি থওইদদুনা মখা তানা চথনবা হোৎনরক্লবদি ডেসামনা আইবিএসডি কন্নবগীদমক মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি।

মসিদা থোক্লকপা অফ-ফক্তগী দায়ত্ব খুদিংমক দাইরেক্টর, আইবিএসডি দিনবন্দু সাহু অমদি মহাক্কী খোঙলোই ওইরিবা মীওই ৪ / ৫ অদুনা পুগদবনি হায়না অরোইবদা থন্নক্লি।

মহৈরোয় লূপ তরক্না পূন্না...

লামায় ১গী মখা

হন্দোক্কদবনি হায়না মহাকনি দিমান্দ তৌখি। করিগুম্বা বিল অসি হন্দাক্তবা তারবদি সিএসওশিং, মহৈরোয় লুপশিং লোয়ননা মীয়ামগা পুন্না অকনবা খোঙজং কয়া অমা চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা লৈবা ৱাইকে কলেজগী মহৈরোয়শিংনসু ঙসি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌববু য়ানিংদবা ফোঙদুনা বিল অসিগী কোপিশিং মৈ থাদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

দেসাম ৱাইকে কলেজ য়ুনিট অমসুং কলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না পুন্না শিন্দুনা ঙসি কলেজ অসিগী গেটতা খোঙজং চঙশিনখিবনি। খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা কলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী বোইজ কম্মন রুমগী সেক্রেটরি রোবিন্সননা বিল অসিবু কন্না য়ানিংদবগা লোয়ননা বিল অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং হাৎকে তুপকে হায়বগা চপ মান্নে হায়খি।

বিল অসিগী মায়োক্তা লৈবাক মীয়াম অমদি সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজং কলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা মপুং ফানা শরুক য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বিলগী মায়োক্তা লৈবীয়ু

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ হন্দক্তা লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অসি মখা তানা রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা খন্নরকপদা মণিপুরগী এমপি অনি ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দ অমদি এমসি মেরি কোমনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পীয়ু হায়না পরজাগী কনভেনর ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমনা আপিল তৌরক্লি।

সিএম দিল্লি য়ৌখ্রে

লামায় ১গী মখা

হোম মিনিষ্টর উনবা ফংদবা তারবদি কনভেন্সন লোইরগা উনরবসু য়াই। ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম ফন্নিঙৈ মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরগী এপোইন্টমেন্ট লৌনবা হোৎনখি হায়বা ৱাফম বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী মচিন চৎপা অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

রঞ্জিৎ দব্লিউ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ : মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা খোঙচৎতা শরুক য়ারম্বা রঞ্জিৎ দব্লিউনা জানুৱারি ৭তা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। সমিতি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা সমিতি অসিগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌখোংজম তোম্বীরাজনা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা লৈখিদ্রবা রঞ্জিৎ সমিতিগী অচঙবা মেম্বর ওইরম্বতা নত্তনা সমিতিগী চেফোঙ ‘ৱাখল’গী এসিস্টেন্ট এদিটরফাওবা ওইরম্মী। ঙসিসু মীয়ান্না নীংশিংনরিবা ‘শীংনবা’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অদুদা রঞ্জিৎ দব্লিউ, য়ুমলেম্বম ইবোমচা অমদি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেংশিং য়াওই। কে হেমচন্দ্রনা এদিট তৌদুনা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ‘৭০দা হুন্নকপা নোংলৈ নুংশিৎ’তসু মহাক্কী শৈরেং ১০ য়াওরি। থাগী ওইনা ফোঙলম্বা চেফোঙ ‘মলৈয়া’দসু অচৌবা থৌরাং লৌরম্মী হায়রি।

মীং স্পোন্সর তৌগনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ দাইরেক্টরেট ওফ হেল্থ সার্বিসেস, গবর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী হাংদুনা লৈরিবা ট্যুটরগী ফম ১২, গ্রেড-ফোর / এমটিএসকী ফম ৩২, লাইব্রেরিয়ান গী ফম ১, এলডিসিগী ফম ১, ষ্টেনোগ্রাফর গ্রেড-থ্রিগী ফম ১, দ্রাইভর (লাইট) কী ফম ৩ অমদি ৱার্দেন (ফিমেল) গী ফম ৩ লৌগদৌরিবা অসিদা থৱায় য়াওবা এমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা রেজিষ্টার তৌরবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কেন্দিদেটশিংনা মীং স্পোন্সর তৌনবগীদমক্তা এক্সচেঞ্জ অসিগী রুম নম্বর ১৫ (এ) দা ফন্নিবা ভেকেন্সি এসিস্টেন্টগা উনরগদবনি হায়না এক্সচেঞ্জ অসিগী এমপ্লোয়মেন্ট ওফিসারনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটকিনা সুপরসিদ তৌবা ঙমব্রা হংলি

লামায় ১গী মখা

গবর্ণমেন্টনা ষ্টেট এসেমব্লিদা ষ্টেট লিষ্টকী লো শেমই। অনিমক লো শেম্বা ঙম্বগী ওঠোরিটি লৈ। কন্সটিট্যুসন্না লৈবাক অসিগী সুপ্রিম লোনি অমদি লো পুম্নমক্কী মকোকনি হায়বা ৱাফম ও জয়না ফোঙদোকখি।

পার্লিয়মেন্টনা শেম্বা লোগা ষ্টেট এসেমব্লিনা শেম্বা লোগা অনিগী মরক্তা য়ানদবা, চয়েৎনবা লৈরবদি পার্লিয়মেন্টনা শেম্বা লো অদু চৎনগনি হায়বসি আর্টিকল ২৫৪ দা ময়েক শেংনা ইরি। মসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লোগী মরমদা খঙ-হৈরবশিংগী পুক্লিংসু ও জয়না চিংশিনখি।

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলনা এক্ট ওল্লকপা মতমদা মণিপুর গবর্ণমেন্টনা শেম্বা দ মণিপুর পিপলস (প্রোটেক্সন) বিল ২০১৮ অয়াবা পীরক্লরোই নমথখ্রগনি। এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবসু চৎনবা য়াররোই অমদি পাস তৌখিবা প্রোটেক্সন বিলগী অর্থসু লৈররোই হায়খি।

ও জয়না হায়, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল মণিপুরদা পিপলস প্রোটেক্সন বিলনা থিংগনি চৎনহল্লোই হায়না লৌরিবা গবর্ণমেন্টকী পোলিসি অঙকপনি। সিটিজনশিপ বিল শেম্বা মতমদা ষ্টেট এসেমব্লিনা শেম্বা য়েলহৌমী কন্নবা বিল চৎনবা য়ারোই হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা খঙদবা হৌনদে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এনদিএ গবর্ণমেন্ট অসি নোর্থ ইষ্টতা দবল ষ্টেন্দর্দ ওই হায়না মরাল শিখি।

এমএলএ কেঐচ জয়কিষননা হায়, বিজেপিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা গবর্ণমেন্ট অসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সেন্টরনা হায়রগা পংলৌ লৌগদবা নত্রে এসেমব্লিদা লৌবা ৱারেপ্তা চৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা ৱায়েল বিচারবু হায় কোর্টতা আপিল চৎকনি হায়বগা চপ মান্নে হায়খি।

লুরবা তানফম অসিদা এমএলএ ৬০ না করি তৌরি অমদি মীয়ামগীদমক লেপ্পি হায়বদু খঙহন্নবা অথুবা মতমদা এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম কৌদুনা খন্ননবা দিমান্দ তৌরদুনা রাজনিতিগী খুদোং চাবা লৌনবা হোৎনবা মতম নত্তে।

পার্লিয়মেন্ট ইলেক্সনদা কেন্দিদেট থাদোক্লিংলগসু মণিপুর মীয়াম্না থাদোকপা য়ারোই হায়না থিংলকপগী তাঞ্জাসু লাকপা য়াই হায়খি।

রিফরেন্দম অমগীদমক শেম...

লামায় ১গী মখা

অফস্পানচিংবা তোঙান তোঙানবা মার্সিয়েল লো কয়াগী মখাদা ইন্দিয়াগী কোলোনিয়েল রুলগী চৈথেং লমদম অসিগী মীয়াম্না ফংদুনা লাক্লি হায়বা ৱাফম য়ুসিএমগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থমখি।

সেক্রেটরি জেনরেল অথৌবনা পাউমীশিংদা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী আইদেন্টিটি মাঙহনখিনবা হোৎনদুনা লাক্লি অমদি লমদম অসিগী অশেংবা আইদেন্টিটি, পুৱারী, কলচর অদি অতোপ্পা ভেল্যু কয়াবু তুংওইনরম্লগা হিন্দুদা য়ুম্ফম ওইবা পুৱারী অমদি কলচরশিং ইদুকসেন সিল্লেবসতা হাপচিল্লি হায়না পল্লদুনা ঐখোয়গী কলচরেল অমদি পোলিটিকেল ওইবা রাইটশিং অদু মাঙহন্নবা থৌশিল চথরি হায়বা ৱাফম থমখি।

মসিগীসু মথক্তা দাম শাবা অমদি থাউচিংথোকপনচিংবা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিংগী মিংদা নোর্থ ইষ্ট লমদম অসিগী রিসোর্সশিং ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নরি অমদি নোর্থ ইষ্টকি মীয়ামদা মসিগী কান্নবদি ইফং ফংহন্দ্রিহায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, হৌজিকসু অমুক বংলাদেস, পাকিষ্টান অমদি অফগানিষ্টানদগী লাকপা রিফ্যুজিশিংদা ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ পীদুনা নোর্থ ইষ্টতা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈহন্নবা থৌশিল চথরক্লি অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ষ্টেট এসেমব্লীশিং অমদি পোলিটিকেল প্লেটফোর্ম লৈবাক অহুমসিদগী লাকপা রিফ্যুজিশিংনা খুদুম চনশিনখিনবা হোৎনদুনা নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী পোলিটিকেল রাইট অমদি খোল্লাওশিং নমথনবা মখা তানা হোৎনরক্লি।

মরম অদুনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা নোর্থ ইষ্টকি মীয়াম অমদি সিএসওশিংনা রিফরেন্দম অমা লৌদুনা ঐখোয় হৌজিক কৈদৌগদগৈ হায়বগী মতাংদা ৱারেপ অমা পুন্না লৌমিন্নবা তাই। নোর্থইষ্টকি সিএসওশিং অমদি লৈরিবা মীয়াম হীরম অসিগা মরী লৈননা কো-ওর্দিনেট তৌবদা য়ুসিএমনা অচৌবা থৌদাং য়াগনি হায়নসু ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল খুরাইজম অথৌবনা মখা তানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ইটানগরদা এনপিপিগী ...

লামায় ১গী মখা

লৌখিবগে হায়বদু পাউ অসিনা ফোঙদোরক্তুবসু মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না এনপিপিগী নেসনেল লিডরশিংগা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নদুনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌবদা য়ানখি হায়রি।

এনপিপি ষ্টেট য়ুনিটকি ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদু য়াওরম্লবা মতুং এনপিপিগী লেজিসলেচর ৱিংগী লুচিংবসু ওইরিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর জয়কুমার ঙসি ইটানগরগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসিগী ওইনদি মহাক গুৱাহাটিদা লৈরি। হয়েং ইটানগরদা থুংগনি। মফম অদুদা পার্টি অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সাংমা য়াওনা পার্টিগী অতে মরুওইবা লুচিংবশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা থা অসিগী ১২ দা পাঙথোক্কনি।

মীফম অদুদা মণিপুরগী বিজেপিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা গবর্ণমেন্টতা য়াওরিবা এনপিপিগী মিনিষ্টরশিং লোইনমক য়াওগনি। জয়কুমার ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবনা লেমহৌরিবা এনপিপিগী মিনিষ্টর অহুম হয়েং ইটানগরগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

মীফম অদুনা লোক সভাদা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রবা মতুংদা ওইরক্লীবা ফীবম কুপ্পা নৈনদুনা তং-তাবা ৱারেপ অমা লৌরক্লবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, এনডিএ গবর্ণমেন্টনা লোক সভাদা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ পাস তৌখিবা অদুনা মীশিং য়ামজদবা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংদা মীতোপ্পা লাঙ্গোই চনশিনখিদুনা য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী নুংনাংবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা এনপিপিগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা মহাক্কী পার্টিনা এনডিএদগী তোক্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈরবনি।

ꯁꯦꯜꯁꯃꯦꯟ / দ্রাইভর পামজৈ

টাটা হায়পর দিপ্পর নিংথিনা থৌবা হৈবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দ্রাইভর অনি পামজৈ।

TSE/8055–11 Contact : 8794910651

ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ / MISSING



Mayanglambam Angoubi Devi
Description:-
Age - 75 yrs
Height - 4'6" ft.
Face - Round shape
Complexion - White
Hair - Black and long
Built -Thin/Normal of Kakching Turel

Wangma, Uraobam Pareng was on her way to Kangpokpi from Kakching on 7/01/2019 for meeting her son. But she did not reached her sons residence and could not trace her whereabout.

Dress on last seen :
Wearing - One Jersey - Red colour
Phanek (lady cloth) - Pink colour
One Chune - Sky blue colour
Carrying one bag - Green colour
One slipper - Green colour.

Anyone with information on her whereabout is urged to call-
7005167517
8415964026
8974562280

Tse/8028-11

ꯃꯥꯡꯈꯤ / ORIGINAL MARKSHEET LOST

I have lost my original marksheet of HSLC examination 2000 issued by Board of Secondary Education Manipur bearing roll no.13450 on the way between charangpat to Imphal on 7th January 2019. Finders are requested kindly handover the same to the undersigned

Sd/- Sagolshem Ramesdutta Singh
Charangpat Mayai Leikai
Contact : 7005013268

TSE/Chinglemba–11

ꯇꯤꯎꯁꯟ / HOME TUTORS AVAILABLE

Well experienced Tutors with up-to-date and Right tutoring knowledge and student friendly are at your service with lowest fees at your door step for various classes. Interested Parents/ Guardians kindly contact for Total solution in studies for students.

Home Tutors can also apply

Kings Creator,
Nagamapal Chungkham Leirak Machin.
#9856470398

TSE/8031-11,12

ꯊꯥꯒꯠꯄ / PILEGI MADAM JUBEDA BU THAGATCHARI

Pile na matam sangna naduna leiruraba eigi hakchang e-taba, khong hamba yadaba, gastric leiba, souja nanthaba, pumamak adu ngasidi Madam Jubeda (9402783274) gi hidak amuktang thakpadagi pumfa fare haina Madam bu khabargi thongda thagatpa fongdokchari.

Thagatchariba : Thoibi
Lilong Haoreibi Makha LEikai

Madam gi Layengfamsing di:
1. Mayang Imphal Bengoon, Near Main Road.
2. Sangai Yumfam Idiga Manak
(Only Sunday 8:00am to 3:00pm.)
3. Kwakta Bazar (Only Tuesday & Wednesday)

TSE/7768-11

ꯁꯦꯜꯁꯃꯦꯟ / অথুবদা পামজৈ

1. Salesman – 2, 2. Driver (Light vehicle) – 2 (Sunday Open)
3. Assistant Accountant – 2 nos.
4. Tyre (Light Vehicle) fitting হৈবা মীওই ২

N.B: Pay negotiable. নিশা চাদবা দুকান চাং নায়না লাকপা ঙমগদবা মীওইশিংনা Bio Data/ Resume, Leikai গী Club তগী অইবা শকখঙচে অমদি ফোটো অনিগা থাজিনবিরকউ।

Or Bridgestone Select	Or M/S Imphal Tyres	M/S Imphal Tyres
Uripok Achom Leikai	*Sagolband Bijoy Govind*	*M.G. Avenue Imphal*
Email Address :	*Mamang Leikai*	*Opp PNB*
imphaltyre0@yahoo.co.in		

TSE/8051–11,12,13,14

ꯑꯦꯟꯁ꯭ꯇꯔꯞꯔꯥꯏꯖ / N'STERPRISE

Tera Bazar, Near SBI Tera Branch,
Imphal West, Manipur-795001

Lottery Cum Tender 28th Draw Result

a) Lucky Winners For Lottery : M. No. - 180
b) Early Contribution Lucky Winner : M. No. - 34

TSE/8048–11 ***Sd/-N'STERPRISE***

ꯁꯦꯜꯁꯃꯦꯟ / SALESMAN PAMJEI

Athubagi oina 30 male & female pamjei. Hardworking, patient & honesty oiba mioisingna henna pamjei. **Qualification:** VIII, X, XII oigadabani. Age below-30 yrs. **Salary**-10,000 fixed Hostel facilities. Fooding & lodging free only for ladies.

For more further details pliz contact – 9383238096/ 8104180495

TSE/8043–11,12

ꯊꯕꯛ / EMPLOYMENT NEWS

চহি ১৮দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থবক থিরিবা Unemployed ওইবা কেন্দিদেট (Male/Female) শিংদগী অহাংবা ওফিসিয়েল পোষ্ট ৫৭কীদমক থবক কৌজরি। থবক অসিদা চংবগী Qualification না Class X,XII অমসুং Graduate পাস তৌরবা মীওই ওইগদবনি। মসিদা মাগী ইনকমনা 10,000 to 35,000/- ফাওবগী মনুংদা লৈগনি। Deposit লৌজরোই, Selection ওইরবা মীওইশিংগী লৈফম চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। Limited Post নি। অথুবা মতমদা ইশাগী Biodata পুরগা ওফিস্তা তান্নবীয়ু।

Visiting Hour : 12 am to 3 pm
Contact : 8414834122 or 8837383714

TSE/8056-11

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / LOCAL TATA TRUCK অমা য়োঞ্জরি

করিগুম্বা অচিনবা অমগীদমক্তা Local Tata Truck অমা য়োঞ্জরি। করিগুম্বা মখল অমত্তগী টেক্স তোঞ্জদে, Tyre মরি অহনবনি, Body Dashpot অহনবনি, 12/10 কনাগুম্বশিংনা পাম্বীবা য়াওরবদি মখাগী Contact No. সিদা ফোন তৌবীরকউ। Rs. 2.50(L)

Contact No.: 1) 9615218845
(2) 9366768125

TSE/8038-11

ꯍꯨꯏ / হুই অমা চঙকতুনা লৈরে



হৌখিবা তাং ৮-১-২০১৯ দা হুই অমা চঙকতুনা লৈরে। হুই অসি মপুনা মতিক চাবা প্রমান পীবীদুনা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা লৌববা য়াগনি। মসিগী মতুংদা হুই অসিগী দাইত্য লৌবা ঙমজরোই।

Sd/-
Kshetrimayum John
Thangmeiband Lairen
Hanjaba Leikai
9856911689

TSE/8034-11

ꯑꯋꯥꯕ / AWABA FONGDOKCHABA

Ngasi tang 10/01 /19 enggi ayuk pung 9:30 taba matam da Bhartiya Janata Party gi member singna Shri Khomdram Binodkumar Singh na manung matam chadana leikhidabada party gi office ta minute 2 tuminna leptuna leikhidrabagi thawaina engna chikna leirunaba eshwar gi mapham da thounijakhi amadi leikhidrabagi emung manunggi awabadasu sarukyajari.

Fongdokchariba - Bhartiya Janata Party Manipur

TSE/8036-11

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref:- Mut. Case No. 29 /SDC/IW(C) 4-1-2019.

Phurailatpam Haripyari Devi W/O Gurumayum Kunjabihari Sharma of Singjamei Makha Khongnang Pheidekpi. ***......Petitioner***

- Vs -

Gurumayum Kunjabihari Sharma S/O (L) G. Ibobi Sharma of Singjamei Makha Khongnang Pheidekpi. ***......O.P.Party***

NOTICE

Imphal, The 10-1-2019

Under the Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Gurumayum Kunjabihari Sharma পীং S/O (L) G. Ibobi Sharma সাং Singjamei Makha Khongnang Pheidekpi গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 59-Oinam Thingel গী অনৌবা পাট্টা নং 231/2233 অরিবা পাট্টা নং 59/166 দাগ নং 1299/1955 অমসুং এরিয়ানা .02462 (হেক্তর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি ... অসিনা মাগী / মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (Central).

TSE/8054–11

ꯊꯧꯒꯜ / অৱাবা ফোঙদোকপা

The Integrated People's Welfare Assn.(IPWA), Ningombam Makha Leikai গী Executive Member ওইনা থৌ পুবীরম্বতা নত্তনা মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াদসু থৱায় য়াওনা শরুক য়াবীরম্বা **Shri Soibam Sawankumar @ Swami @ Boinao Singh** না মনুং মতম চাদনা হৌখিবা তাং ০৪-০১-২০১৯ দা তাইবংপাল থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা IPWA, Ningombam Makha Leikai member শিংনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক্তা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/-
Integrated People's Welfare Assn.
(IPWA)
Ningombam Makha Leikai

TSE/8053–11,12

ꯊꯥꯒꯠꯄ / অমাংথোংদা কোবীলৈ শাৎপগুন্না পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লকপা অদুনা মরম ওইদুনা য়ান্না নাবা অমদি য়ান্না ঙমদবা, খোং হাম্বা খুদিংগী অমাংথোং ময়াদগী পীস্কারিনা কাপ্পগুন্না ঈ কামথোরকপা, খোং হাম্বদা মতম কুইনা চংবা ফহনবগী ওজা জিয়াউলহকপু থাগৎচরি

ঐনা অহানবদা নুংশং নারকপা মতম অমাংথোংগী অকোইবদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা অদুগা অমুক ফখিবা, মরক মরক্তা অমাংথোং মনুংদগী তিনকুপ থোক্লকপদা ফাদোকপা, খোং হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, খোং হাম্বদসু চাং নাইরক্তবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ হান্নকপা, খোং হাম্বা মতমদা মনাং অমদি কোঙ্গোলগুম্বা লোয়নরকপসু য়াওবা অদুগী মতুংদা খোং হাম্বদা দ্রোপ দ্রোপ তারকপা অয়ুরবেদিককী হিদাক খরা চারগা ঈ তাবা অদু ফখিবা থা অমগী মতুংদা অমাংথোং ময়াদা মচা অমা পোমথোরকপা পোমথোরকপা অদু অমুক হঞ্জিনখিবা শ-ঙা চাবা লেপ্পদগী, মতম খরা লৈরগা অমুক পোমথোরকপা খঙহৌদনা অমাংথোংদগী কোবীলৈ শাৎপগুন্না চাউনা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা য়ান্না চিকপা নাবা অমদি য়ান্না ঙমদবা কল্লাক মরি নাবা ঙকশম মরি নাবা খ্বাং য়মদি য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা শাগন নাবা শিথগে তৌবা ফম্বী শোনবা তৌরম্বা অদু **Md. Zia-ul-Haque Phusam, # 9774274439/ 8414825323** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা জিয়াউলহকপু থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ

1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate, Imphal, 10am to 5pm
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 9am)
3. Yairipok Bamon Leikai, (Only Wed & Sat Open) 10am to 4pm.

থাগৎচরিবী – ***Ch. Seyam Singh Moirang***

TSE/2178–11

ꯊꯥꯒꯠꯄ / খোং হাম্বা য়াদবা, খোং হামগনি হায়না চংলগা হামেং মথিগুন্না মরু মরু অকনবা ওইনা হাম্বা, খোং হান্নবনি হায়না শংবদা অৱাবা অমা ওইবা ফহনবগীদমক ওজা Mv Azad Phusam বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোং হামগনি হায়না চংলগা হামেং মথিগুন্না মরু মরু অকনবা ওইনা হাম্বা, খোং হান্নবনি হায়না শংবদা অৱাবা অমা ওইবা, অমাংথোং ময়াসু পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু অমুক চাওথোরকপা অদুগা অমুক পীকশিনখিবা, যখাং হাম্বা খুদিংগী অমাংথোং ময়াদগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুন্না ঈ কাপথোরকপা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা পুকচেপ নাবা, চাবা তুমদবা, গ্যাষ্টিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, শা-ঙা থাও মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, অমদি যখাং হাম্বা অমুক্তা হেন্না চাং নাইরক্তবা, অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়ান্না হাক্কৎচবা, তাং তাং চিকপা নাবা ফম্বী শোনবা তৌরম্বশিং অদু **Mv. Azad Phusam, Ph. 9089738275, 7628890261** দা চত্তুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা **Mv. Azad Phusam** বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফম ঃ

1. Hatta Opp. Oil pump near Public Hospital, Imphal.
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9. (Only Sat., Sun. & Mon. Open)
3. Yairipok Bazar near Traffic Point (6am to 10am)

থাগৎচরিবা – ***I. Bidyalaxmi Singjamei***

TSE/2134–10

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

Luwangsangbam Matai দা লৈবা পোইন্ট ০.০৬৫০০ Acre চাওবা ইঙ্খোল লম্বীগা তাইননা লৈবা অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

TSE/8025-11 ***Contact No. 7005447248***

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

Sagolband Sayang Pukhri Mapal দা লৈবা পোইন্ট মঙা চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাও ফাওবীরকউ।

TSE/8050-11 ***Contact No. 8787329342***

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

ঐ ইশাগী মীংদা লৈবা ইঙ্খোল দাগ নম্বর ১০৫১ অমদি ১০৫৬ অসি য়োঞ্জরি। য়েৎপীনিংবশিংনা ঙসিদগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। অপাম্বশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীবা য়াগনি।

TSE/8041-11 ***Contact : 7005224255***

ꯃꯤꯐꯝ / ANNUAL GB MEETING

লাক্লিবা তাং ২১-০১-২০১৯, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী Annual GB Meeting অমা Electrical & Mechanical Division, Water Resources Department, Lamphelpat তা তৌজরগনি। মরি লৈনবা ইমপ্লোইয়িশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা মিটিং অসিদা শরুক য়াবীরনবা নোল্লুক্না নিংশিংজরি।

Agenda :-
1) Annual Accounts
(2) Annual Reports
(3) তলব ফংদবা থা ১২ ফারকপসিদা The Industrial Disputes Act, 1947 Section 22 গী মখাদা Strike তৌবগী মওং
(4) To elect new Office bearers
(5) Others

Sd/- L. Bimolchandra Singh
General Secretary,
All Manipur IFCD Employees & Workers Organisation, Imphal

TSE/8044-11

ꯃꯤꯐꯝ / চবুংবম শাগৈগী মীফম

চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম মণিপুরদা লৈরিবা চবুংবম শাগৈগী অপুনবা মীফম লাক্লিবা জনুৱারীগী তাং ২০, ৱাকচিংগী ১৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাবগাই পোল ষ্টার কলেজ মমাঙদা লৈবা চবুংবম বীরমণি সিংহগী য়ুমদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা শাগৈচাশিংনা শরুক য়ানবগীদমক মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওরক্লবা নোল্লুক্না হায়জরি।

TSE/8046–11 ***কন্টেক্ট নম্বর : ৮৭৩২০৪৭৪০০, ৯৮৬২১৬৭৫৪৩***

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / শেংদোকচবা

হৌখিবা তারিখ ৮দা AMSU না কৌবা পুং ১২গী General Strike মনুংদা ওফিস মনুংদা থবক শুজবগীদমক লানজরে। অসিগুম্বা থৌদোক মতুংদা থোকহনজরোই হায়দুনা শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবা– Yaikhom Khogendra
Manager, Kakwa Vishal Mega Mart

TSE/8033–11,12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR Yairipok

Ref. Mutation Case No. 5/SDC/YPK/19

Dtd 07/1/2019

Yumnam Manoranjan Singh S/O Late Y. Mohon Singh of Yairipok Pechi Makha Leikai .....Petitioner

-Vrs-

Late Yumnam Mohon Singh S/O (L) Y. Modhu Singh of Pechi ....OPP

NOTICE

Yairipok, the 7th January 2019

Under Section 46(3) Of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুন নং ১০১-পেচি পাটা নং ১৪৮ অনৌবা দাগ নং ৩০৫ এরিয়া .২৫৪৪ হেক্টর ইংখোল চাওবা অসিগী পাটাদার য়ুন্নাম মোহোন সিংহ পীঃ মৃঃ মোধু সিংহ সাং পেচিদা লৈবা অসি মৃত্যু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃঃ পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner গী মচাগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই

Sd/-Sub Deputy Collector
Yairipok

TSE/8024–11